Important Phone Nos.

RIMS	- 2414478
J.N. Hospital	- 2450385
DG Control	- 2450100

FIRE SERVICE

Imphal	- 101
Moirang	- 8415925197
Churachandpur	- 8415925191
Thoubal	- 8415925203
Kakching	- 8415925194
Jiribam	- 8415925193
Mayang Imphal	- 8415925196
Bishnupur	- 8415925190
Moreh	- 8415925198
Kangpokpi	- 8415925195
Ukhrul	- 8415925205
Senapati	- 8415925199
Chandel	- 8415925192
Singhat	- 8415925201
Sugnu	- 8415925202
Yairipok	- 8415925206

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	81.883160
US Dollar	75.285423
British Pound	92.789382
Australian Dollar	49.054788
Chinese Yuan Renminbi	10.618889
Japanese Yen	0.704215
Malaysian Ringgit	17.403788
Singapore Dollar	53.237795
South Korean Won	0.061515
Saudi Arabian Riyal	20.076113
Thai Baht	2.350062
Myanmar Kyat	0.05337
Bangladesh Taka	0.88601

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	45822.00
Mumbai	–	Rs	45727.00
Delhi	–	Rs	45655.00
Kolkata	–	Rs	45606.00

GAS NEWS

CANCHI INDANE
Booking Upto : 24/02/2020
Valid From : 19/02/2020
5kg UJJWALA Stock Available
Home Delivery Only
Contact No : Kwakeithel
(8794191632)
Naorem Leikai (7085732827)
For Booking Kwakeithel
(9774615530)
Naorem Leikai (7085732827)
Contact Timing : 08.00 To 12.00 Noon

GBD, LAMLONG
Booking Upto: 25/01/2020
Valid From: 15/01/2020
All Customers are Home delivery
Working Hour:
07.30 am-12.00 noon
Contact No. for Refill order & Enquiry only
7629947179
Contact No.for Booking only-
7629947187

HRANGCHAL GAS, OLD LAMBULANE
Booking Upto: 02/03/2020
Valid From: 29/02/2020
SMS Booking: IOC <SPACE> 03852444677 <SPACE> Consumer No.
Send to 9089024365
Home Delivery only
Booking Only: 03852444677
Enquiry Only: 9436280866
(Call+Whatsapp)
Timing: 08.00 am-12.00 noon

KHORIPHABA NAMBOL
Sl. No. Upto – 70413
Booking Upto: 07/02/2020
Home Delivery Only
Contact Nos: 9366471778, 8837349474

LEIBAKLEI GAS KAKCHING
Booking Upto - 02/02/2020
Valid From - 19/01/2020
Stk : 612
Timing 07:00 am to 10:00 am
Home Delivery
Pliz Contact: 9862836403/ 8415050488 and 9366075820

HIYANGTHANG INDANE
Sl. No.: 150
Booking Upto : 15/02/2020
Home Delivery Nos.
6381538861/6009260971
Timing 7.30.A.M.To 10.A.M.

LAMSANG GAS AGENCY
Booking Upto: 13/02/2020
Valid From: 07/02/2020
Submit Latest Mobile No.
Home Delivery only
Timing: 08.00 am-12.00 noon
Contact: 8730087936

MAHALAKSMI INDANE
Sl. No. Upto – 292229
Booking Upto: 25/02/2020
Valid From: 23/02/2020
Only Home Delivery
Contact Timing:
10.00 am-12.00noon
Contact Nos.
9862312969/8414929709

MAIBIA GAS MOIRANG
Booking Upto : 25/02/2020
Valid From : 22/02/2020
Stk. : 306
(Home Delivery Service)
Contact Nos. 1.Dilip-6909152567/ 9612883295 (Moirang A/C). 2.Ajay--7005667570 (Thanga A/C), 3.Rojen--8787381746 (Kumbi A/C).Booking Contact No. 7085972248. Timing--8 Am To 12 Noon.

MANIPUR GAS SERVICE
Booking Upto: 02/03/2020
Valid From: 04/02/2020
Home Delivery Only
Contact Nos.
8730954041/8259969582
Contact Timing: 07.30 am -11.00am

MISAO GAS SERVICE
Booking Upto -18/03/2020
Valid From -29/02/2020
Only Home Delivery
For Delivery Service Please contact 7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 4:00PM

HEINGANG INDANE GRAMIN VITRAK
Booking Upto: 17/04/2020
Valid From: 05/04/2020
Home Delivery No. 9089177227
Booking No. 9089161416
Contact Timing:
08.00 am-11.00 am

YAIRIPOK GAS SERVICE
Booking Upto: 15/03/2020
Valid From: 03/ 03/2020
Stk. 306
(Call Time 08 am to 12 Noon)
Home delivery only
93663 51735, 8837072205, 9856704591

EREICHA INDANE GRAMIN VITRAK
Booking Upto : 24/02/2020
Valid From : 22/02/2020
Stk : 306
All Customers Are Home Delivery
Delivery Date : 14/05/2020
Working Hours : 7:00 Am-10 am
Contact No. 03852434026

ক্বারন্টিন সেন্টরশিংগী কমপ্লেন্ট য়েংশিনবীয়ু হায়না চে থারকপনা য়েংশিনবা চৎলগনি : মনি

ইম্ফাল, মে ১৩ (ঐচ এন এস) : ক্বারন্টিন সেন্টরশিংগী কমপ্লেন্ট য়াম্না লৈবনা খুদোংচাদবশিং য়েংশিনবীয়ু হায়না য়ুথ ফোরম ফোর প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটসনা এপ্লিকেসন থারকপনা অথুবা মতমদা য়েংশিনবা চৎলগনি হায়না মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী এক্টিং চ্যেরপর্সন খাইদেম মনিনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

লম্ফেলপাৎতা লৈবা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা খাইদেম মনিনা হায়খি, লৈঙাক্লা ক্বারন্টিন তৌনবগী ওর্দর থোরকপা অসিদা চৎন-কাঙলোনশিং ইন্দ্রবদি চৈরাক পীবা য়াই। ক্বারন্টিন সেন্টর কয়াদা কমপ্লেন্ট য়াম্না লৈরে। য়েংশিনবীয়ু হায়না য়ুথ ফোরম ফোর প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটসনা কম্মিসনদা চে থারক্লে। চে থারকপনা মরম ওইরগা য়েংশিনবা চৎলগনি।

সাইনিক স্কুলদা ক্বারন্টিন তৌবগী ভিদিও অমা থাগৎলক্লে। মখোয়গী মীশিংনা পাউ তল্লকপসু লৈরে। অতে মফম কয়াগীসু ক্বারন্টিন সেন্টর কয়া লৈরি। ইম্ফাল মনুংদা লৈবা কয়া অমদসু কমপ্লেন্ট য়াম্না লৈরে। টোইলেট ফজনা থমদবা, বার্থ রুম থমদবা, ঈশিং মরাং কায়না ফংদবা কয়াসু য়াওরি। হীরম অসিগী মতাংদা মীওই কয়ানসু হায়রকপা লৈরে। কম্মিসন্না ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা চৎলগা য়েংশিনবীয়ু হায়না হায়রকপা লৈ। লৌখৎফম থোকপা থবক লৌখৎপীয়ু হায়না এপ্লিকেসন থারকই। চপ চাবা মতম খায়দোক্তনা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা ভিজিট চৎলগা য়েংশিনগনি।

লোকদাউননা মরম ওইরগা মীওইবগী রাইট মাঙহন্নবা থবক তৌরকপদা কম্মিসন্না চপ চানা থেংনগনি। কোভিদ-১৯ থেংননবা লৈঙাক্লা লৌখৎলকপা থবকশিংদা কম্মিসন্না সপোর্ট তৌগনি। ঐখোয় পুন্নমক্না লৈঙাক খক্তদা ইন্থোকপা য়ারোই। ডোক্তর, পুলিস, নর্স, প্রেস, সিভিল সোসাইটি খক্তদা ইন্থোকপসু য়ারোই। ঐখোয় পুন্না হোৎনমিন্নসি। মীয়াম্না কম্মিসনগী চ্যেরপর্সনগী মোবাইল নম্বর ৯৮৬২৮৩৭৮৩০ দা ৱাটচএপতা ভিদিও ওইনা থাগৎলক্লগা ৱাকৎলকপা য়াগনি। মরী লৈনবা ওথোরিটিদা এক্সন লৌনবা তকশিনগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা কম্মিসনগী সেক্রেটরি এম জয়না ফোঙদোকখিবদা, সেন্টর অমদি ষ্টেট লৈঙাক্লা পায়খৎলক্লিবা কোভিদ-১৯ দগী ঙাকথোক্নবা হোৎনরিবা থৌরাং খূদিংমক য়াম্না কুপ্না য়েংলি। সপোর্ট তৌবা ওইনা হাংলিবা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা ফেসিলিটি নীংথিনা ফংব্রা হায়বদু ভিজিট চৎলগা য়েংগনি। অৱাৎ-অপাশিং অদু লৈঙাক্তা হায়গনি। মপান লমদগী য়ুমদা হল্লকপা ময়াম অসিগীদমক থৌরাং তৌরি। সিভিল সোসাইটি, ভিলেজ ওথোরিটি, এন জি ও, তোঙান তোঙানবা ফুরুপকী মীওইশিংনা সপোর্ট তৌরগা থৌদাং লৌমিন্নবা তাই। ইশা-ইশানা ৱাখল তামিন্নবা চঙই হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

য়ু লেপ্পুনা ফাগৎলি

ইম্ফাল, মে ১৩ (ঐচ এন এস): ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস ভিক্টোরিয়া য়েংখোমগী মীৎয়েং মখাদা লোকদাউনগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা য়ু ফাগৎপগী থবক লেপ্পুনা চঙশিল্লি।

তোঙান তোঙানবা পুলিস ষ্টেসনশিংনা য়ু ফাগৎপগী থবক চত্থরি। এস দি পি ও, ককচিং পি শঙ্কর অমদি ও সী প্রেমজিৎ অনীনা লুচিংবা কাঙবু অমনা কৈরক্তা লৈবা অচৌবা য়ু শুংফম লেপ্পবা খঙহল্লবসু মখা তানা য়ু শুংবা লেপ্পবদগী য়ু শুংফম অদু লম মপুদা শিদোকহনখ্রে। য়ু শুংবদা শীজিন্নবা পোৎলমশিং অমদি য়ু ফাগৎখ্রে। হিয়াংলম পুলিস ষ্টেসন্নসু ৱাবগাই-লমখাইদগী মীওই অমদগী য়াল্লবা য়ু ফাগৎপা ঙল্লে। শুগনু পুলিস ষ্টেসন্নসু শুগনু কৈথেল এরিয়াদগী মীওই অনীদগী য়াল্লবা য়ু ফাগৎপা ঙল্লে। য়ু শুংবদা শীজিন্নবা পোৎলম অমদি য়ুশিং মখা তাবা লোগী ওইবা থবক লৌখৎনবা ককচিং এক্সাইজ দা খুৎশিন্নখ্রগনি। য়ু অমদি য়ু শুংবদা শীজিন্নবা পোৎলমশিং ফাবগী থবক লেপ্পুনা চত্থরি হায়রি।

চপ মান্নবা হীরম অমদা ওর্দর তোয়না থোকপনা মীয়ামদা চমম্নবা কয়া পোকহল্লে : পৃথিবীরাজ

ইম্ফাল, মে ১৩ (ঐচ এন এস) : চপ মান্নবা হীরমদা লৈঙাক্কী ওর্দর ঙাইহাক লৈতনা হোংলগা থোকপনা মীয়ামদা চমম্নবা কয়া পোকহল্লে হায়না এক্স-এম এল এ ওইরিবা এম পি সী সীগী জেনরেল সেক্রেটরি এম পৃথিবীরাজনা ফোঙদোকখ্রে।

মোইরাং কম্ম্যুনিটি হেল্থ সেন্টরদা ওক্সিজেন সিলিন্দর অমদি অতে তেংবাং পোৎলমশিং মোইরাং ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী মায়কৈদগী খুৎশিন্নবগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা এম পৃথিবীরাজনা হায়খি, মণিপুরগী মপান লমদগী লাকখিবা মীওইশিং হোম ক্বারন্টিনগী অয়াবা পীরে হায়না ওর্দর থোকখি। পুংখরগী মতুংদা অমুক হোম ক্বারন্টিন য়ারোই হায়না অমুক থোকখি। ক্বারন্টিন সেন্টরদা থমগদবনি। লোয়ননা মসি মেন্দেটরিনি হায়না ওর্দর অমমুক থোক্লককখি। লৈঙাক অমদি মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা মতম খরা চঙলবসু মুন্না খন্থরগা ওর্দর থোকপীয়ু। লৈঙাক্কী ওর্দর অমা থোক্লককপা হায়বসি মীয়াম্নদি লুম্না খল্লিবনি। ষ্টেন্দিং ওর্দর অমবু ইরায় লায়না হোংদোক-হোংজিন তৌবসি তৌহন্নিংদে। হৌজিক ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈরিবা মীওইশিংগী মরক্তা ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং চপ চানা ঙাক্তবগী মমি তারিবা অসি লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংনা য়েংশিনবীয়ু। লাইবক থীবা থোক্তুনা পোজিটিভ কেস অমা য়াওরল্লবদি শন্দোকপগী চাং য়াম্না ৱাংগনি। মসিদা নত্তনা ক্বারন্টিন সেন্টরগী কা অমদা নৌনা মপান্দগী থুংলবা মীওইশিংগা হান্নদগী ক্বারন্টিন তৌরবশিংগা পুল্লপ লৈমিন্নহনবা অসিগী মতাংদসু মীৎয়েং চঙবীয়ু। ব্লেম তৌবগী ৱাফম নত্তে। লৈরিবা ফীভম অসি মীৎয়েং চঙবা তঙাইফদে। কন্সত্রক্টিভ ওইবা ৱাখল্লোননি খন্দুনা হীরম অসিগী মতাংদা লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিং অমদি সী এমনা য়েংশিনবীয়ু হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

এক্স-এম এল এ, এম পৃথিবীরাজগী লীচিং মখাদা মোইরাং পি ঐচ সীদা তেংবাংখিবা পোৎলমশিংদি, ওক্সিজেন সিলিন্দর, মাস্ক, সেনিটাইজর অমদি চান-থক্নবা পোৎলম কয়ানি হায়রি।

অমরোমদা, খোংজোম সার্কল কোভিদ-১৯ রিলিফ কম্মিটিগী সেক্রেটরি সাপম সনাথোইনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, খোংজোম সার্কল কোভিদ-১৯ রিলিফ কম্মিটিনা লোকদাউননা মরম ওইরগা কম্মিটি অসিনা কোনবা মফমশিংদা লৈবা লাইরিক তম্বগী খুদোংচাবা ফংবা ঙমদ্রবা অঙাংশিংদা ষ্টদি মেটরিএলশিং য়েন্থোকখ্রে। অঙাংশিংনা তমজবা তোঙান তোঙানবা স্কুলশিংদগী ওজাশিংনা শেল্লগা কম্মিটি অসিনা শেম-শাদুনা অঙাংশিংগী ময়ুমদা য়েন্থোকপনি। খোংজোম সার্কল কোভিদ-১৯ রিলিফ কম্মিটিনা মে ১১ দগী হৌরগা ঙসি ফাওবা পোৎলমশিং অসি য়েন্থোক্তুনা লোইশিনখি। কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা লোকদাউন লৈখিবদগী মহৈরোয়শিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়া অসি য়েংলগা ফংহনখিগনি হায়রি।

লোকদাউন লৈখিবদগী মীয়ামনা চান-থক্নবা পোৎলম ফংদবগী অৱাবা মায়োক্নরিবসি য়েংলগা মফম কয়াদা পোৎলমশিং য়েন্থোকপগী থবক চত্থনরি

ইম্ফাল, মে ১৩ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চন্না লৈবা চনুং, তরেৎ খুন, লম্বোই খুন, ৱাখোং, টাইগর কেম্প অমদি য়ুম্নাম পাৎলৌদা লৈবা চহী ৬০গী মখাদা লৈবী মপুরোইবা লৈখিদ্রবীশিংদা য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ) মণিপুরনা ঙমজবা চেঙ, আলু অমসুং তিলহৌনচিংবা পোৎলমশিং য়েন্থোক্তুনা মতেং পাংখ্রে হায়না য়ু পি এফকী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি পব্লিসিটি এম সুনিলনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মালেমদা পেন্দেমিক ওইনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মণিপুর পুম্বা লোকদাউন থমখিবদগী অৱাবা কয়া মায়োক্নদুনা লাক্লি। নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং নীংথিনা মার্কেটতা ফংদবগী অৱাবা মায়োক্নরি। অসিগুম্বা অৱাবা ফীভম অসিদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চন্না লৈবা চনুং, তরেৎ খুন, লম্বোই খুন, ৱাখোং, টাইগর কেম্প অমদি য়ুম্নাম পাৎলৌদা লৈবা চহী ৬০গী মখাদা লৈবী মপুরোইবী কায়নখ্রবীশিংদা চান-থক্নবা পোৎলমশিং মতেং পাংখি। মতেং পাংবগী থবক অসি কোভিদ-১৯ না মরম ওইরগা লোকদাউন থল্লিবা মতম অসি লোইদ্রিবা ফাওবা লেপ্পা লৈতনা অৱাবা তারবা মীয়াম মরক্তগী শোথনা হিংলিবশিংদা য়ু পি এফ মণিপুরনা অঙন্বা মতেং পাংখিগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

অমরোমদা, মোর চোইজ প্রাইভেট লিমিটেদনা ৱার্কর য়ুনিয়ন মণিপুরগী শিন্নী ৪০ দা চান-থক্নবা পোৎলম য়েন্থোকখ্রে। ঙসি য়েন্থোকখিবা পোৎলমশিং অদুদি, চেঙ, অচাথাউ, আলু, ঙারি, তিলহৌ, হৱাইনচিংবনি। চান-থক্নবা পোৎলম য়েন্থোকপগীদমক ৱুমগী মায়মৈদগী থাগৎপা ফোঙদোকখি।

ৱুমগী প্রসিদেন্ট অনন্দ মীতৈনা ফোঙদোকখিবদা, মালেম পুম্বদা পেন্দেমিক ওইরবা কোভিদ-১৯গী চৈথেং মরক্তা মোর চোইজ প্রাইভেট লিমিটেদনা লৌখৎলক্লিবা থৌদাং অসি য়াম্না মরুওই। তেংবাংনবগী থৌদাং লৌরকপসি পুক্নিং থৌগৎলি। খুন্নাই অসি অহিংবা খুন্নাই অমা হায়বদু তাক্লি। খুন্নাই অসি মাঙলোমদা চৎলি। হেন্না মমিং লৈবা খুন্নাই অমা ওইবা ঙমগনি। কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লোকদাউন তৌখ্রবা মতুংদা মীয়াম্না ৱারগনি হায়না খন্নরম্বা কয়া অদুগী মরক্তা লৈরিবা থাজনবা অমদি তেংবাংনবগী মীওই কয়া হিংদুনা লৈরম্বা অসি ঐখোয়গী অফবা অমনি। অসিগুম্বা লীচৎ অসি মীওইবা খুন্নাইগী লীচৎ অমনি। ঐখোয় মশেল অমগা অমগা মতেং পাংনদুনা হিংমিন্নবা হায়বসি তঙাইফদে। মোর চোইজ প্রাইভেট লিমিটেদনা খুন্নাইগীদমক লৌখৎলক্লিবা থৌদাং অসি থাগৎলি। মতম শাংনা মীয়ামগী থবক তৌবা ঙম্বা ওইরসনু হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

মরকসিদা, কম্ম্যুনিটি এইদ কম্মিটি ফোর কোভিদ-১৯ রিলিফ এইদকী কনভিনর খোইস্নাম লুখোইনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কোভিদ-১৯গী চৈথেং ফংলবশিংদা কম্মিটি অসিনা লেম্না মতেং পাংবগী থবক চত্থরি। ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চন্না লৈবা য়াইবিলেন্নফম য়াইবিলেন অমদি চীংনুংকোক্তা লৈবা মীওই অমদা চান-থক্নবা পোৎলমশিং লেম্না য়েন্থোকখ্রে। য়াইবিলেনদা চান-থক্নবা য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা ৱেভনা সপোর্ট তৌরগা লিংখৎখিবা কোভিদ-১৯ রিলিফ এইদকী কনভিনর খোইস্নাম লুখোইনা হায়খি, কোভিদ-১৯গী চৈথেং ফংলবশিংদা লূপ অসিনা চান-থক্নবশিং লেম্না য়েন্থোকপগী থবক চত্থরি। ঙসি য়েন্থোক্লিবা অসিনা ১৬ শুবনি। লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ুনা মরম ওইরগা শুফম নোম্ফম লৈতবগী খম-থেংনা ৱারিবা অসি খরদা ওইরবসু কোক্নবগী পান্দমদা চান-থক্নবা পোৎলম য়েন্থোকপগী থবক অসি চত্থবা হৌখিবনি। মখা তানসু চত্থখিগনি। মতুং তারকপদা চীংনুংকোক্তা লৈবা মীওই অমগী য়ুমদা চান-থক্নবা অমদি শেল মতেং পাংখি। হায়রিবা মীওই অসি অনাবা অমনা মরম ওইরগা হৌগৎ-কাংখৎপা ঙমদনা লৈরিবা মীশক অমনি। ঙসি য়েন্থোকখিবা পোৎলমশিং অদুগী মনুংদা চেঙ, হৱাই, আলু, থাউ-থুম, তিলহৌ অমদি সেনিটাইজরনচিংবা য়াওরি হায়রি।

অমরোমদা, থা অসিগী ১১ দা তোঙান তোঙানবা মীওই কয়ানা চীফ মিনিষ্টর কোভিদ-১৯ রিলিফ ফন্দদা মতেং পাংনখ্রে। মাও বেপটিষ্ট চর্চকী পাষ্টরশিংনা লুপা ৪,২০,০০০, ফৌওইবী প্রদ্যুসর কোওপরেটিভ লিমিটেদনা লুপা লিশিং ৫০, লাইজ পেকেজ দ্রিঙ্কিং ৱাটরগী মেনেজর প্রজ কিশোরনা লুপা লিশিং ৫, ককচিং খুনৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী কে ঐচ লৈমা, টি ঐচ রোশনি, কে ঐচ গোজেন্দ্রো, কে ঐচ রাধামনিনা লুপা লাখ ১ মতেং পাংখি। মতেং পাংলকখিবশিংবু চীফ মিনিষ্টরনা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

পুলিসনা ফাগৎলবা তলব অমদি জর্দা মৈ থাদুনা মাঙহনখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৩ (ঐচএনএস): বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তকী এস পি প্রিয়াদর্শিনি লাইশ্রমগী মীৎয়েং মখাদা লৌখৎলকপা কোভিদ-১৯গী লোকদাউন অমসুং কর্ফিয়ুগী চেকশিন থৌরাং মরক্তা ক্বাক্তা বজারদগী ওটো রিক্সো অমদা পুরকপা তলব অমদি জর্দা ফাগৎখ্রে।

ফৌবাকচাও ইখাই পুলিস ষ্টেসনগী ও সী, কে ঐচ রাজেন খাঙানবগী কম্মান্দ মখাদা থা অসিগী ১১ গী নুমীদাং পুং ৯.৩০ রোম তাবদা টিদ্দিম লম্বীগী ক্বাক্তা বজারদা লোকদাউনগী রুটিন চেক চত্থদুনা লৈরিঙৈ মনুংদা এস আই, এম রোমেনগী টিমনা য়াম্না চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা চুড়াচান্দপুররোমদগী মোইরাং তম্না হাইগৎলকপা ওটো রিক্সো অমা চেক তৌখি। মদুদা তলব প্লাষ্টিক পেকেট ৩০ গা লোয়ননা জর্দা প্লাষ্টিক পেকেট ৩০ য়াওরম্বা থেংনবদগী ফাগৎখি।

ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদু পুরকখিবা এম ভি রমিজুদ্দিন (৩৮), অপোকপা এম দি নাসিরুদ্দিন, ক্বাক্তা ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল ৱার্দ নম্বর ২ দগী মীওই অসিসু ফাগৎপা ঙমখি। ফাগৎলবা পোৎলমশিং অমদি পোৎলমশিং অদুবু পুরকপা মীওই অদু এগজিক্যুটিভ মেজিষ্ট্রেট বিষ্ণুপুরদা পুথোক্লবা মতুং পোৎলমশিং অদু মৈ থাদুনা মাঙহনখি। তলব পুরকপা মীওই অদুগী মথক্তা লোগী ওইবা থবক লৌখৎনবা থৌরাং তৌখ্রে।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তা লোকদাউন অমসুং কর্ফিয়ু মনুংদা পুলিসকী মায়কৈদগী চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎলক্লি। দিষ্টিক্ট অসিগী এস পি প্রিয়াদর্শিনি লাইশ্রমগী মীৎয়েং মখাদা চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎতুনা লাকখিবা মনুংদা থা অসিগী ১১গী নুমীদাংদা পুলিস টিমনা লম্বীদা চেক চত্থদুনা লৈরিঙৈদা হায়রিবা পোৎলমশিং অসি ফাগৎপা ঙমখিবনি। পোৎলমশিং অদুবু পুরকপা মীওইসু ফাগৎপগা লোয়ননা মখা তাবা থবক লৌখৎনবা থৌরাং চত্থখ্রে হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

কোংপালদা অশিবা হকচাং ১ লৈরম্লে

ইম্ফাল, মে ১৩: পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা কোংপাল কোংখাম লৈকায়গী য়ুনিটি ক্লবকী মায়োক্না লৈবা পুখ্রি অমগী মনাক্তা নুপা অমা শিরগা লৈরম্লে।

লৈখিদ্রবা নুপা অদুগী মমিং সগোলশেম ঙোঙো (৩০), অপোকপা মনিমচা কৌই। মহাক লাংঙথেল মখা লৈকায়দগী লাক্লগা হৌজিক্লা লম্লোং অয়াংপল্লি লম্বীদা লৈবা পিছ হাউসতা হেল্পর ওইনা লৈবনি। অশিবা হকচাং অদু ঙসি অয়ুক লৈকায়গী মীওইশিংনা ৱাকিং চৎপদা থেংনরকপনি। তুংদা পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসনদা পাউ পীরগা ফোরেন্সিক টিমনা ইনভেষ্টিগেসন চত্থরবা মতুংদা অশিবা হকচাং অদু লৌখৎলগা পোষ্ট মোর্টেম তৌনবা জে নিমসকী মোর্গতা পুলিসনা থমখ্রে। মহাক মথন্তা শিজব্রা নৎত্রগা মীনা হাৎলম্ব্রা হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। পুলিসনা কেস অমা লৌখৎখ্রে হায়রি।

চাইল্ড লাইন বার্থদে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৩: চাইল্ড লাইন ইম্ফাল ৱেষ্টনা শীন্দুনা থা অসিগী ১২দা চাইল্ড লাইন বার্থদে পাঙথোকখ্রে হায়না চাইল্ড লাইন ইম্ফাল ৱেষ্টকী সেন্টর কোওর্দিনেটর দল্লিয়ু বাবিকানন্দিনিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা কোভিদ-১৯গী ফ্রন্ট লাইনদা থবক তৌরিবা মীওই কয়াদা লঞ্চ পেক অমদি ঈশিং বটুলশিং য়েন্থোকখি। দ্যুটি তৌরিবা পুলিস কয়াদা লঞ্চ পেকশিং খুৎশিন্নখি। ৱিমেন পুলিস ষ্টেসন, ইম্ফাল ৱেষ্ট, লম্ফেল পুলিস ষ্টেসন, সিটি পুলিস ষ্টেসন, ট্রফিক পুলিস ষ্টেসননচিংবদা ঈশিং বটুল য়েন্থোকখি হায়রি।

তৌবীমল খঙবা উৎলি

ইম্ফাল, মে ১৩ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯ থেংননবা হোৎনবদা চীফ মিনিষ্টরনা লৌরিবা থৌদাং অসি ঈকায় খুম্নবা উৎলি হায়না লাঙ্গোল লুখোই থাঙ-তা শিন্দমশঙগী প্রসিদেন্টনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। কোভিদ-১৯ লায়না অসিনা লেপ্পা লৈতনা লান্দারক্লি। মসিদা খোঙফম চেৎনা লেপ্পুনা থৌনা লৈনা লাম্বেংনরিবা অসিদা মণিপুরগী সী এমবু থাগৎলি হায়রি।

পি এমনা মেগা ইকনমিক পেকেজ...

লামায় ১গী মখা... ফংলগনি। দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পেনিশিংদা লুপা ক্রোর ৯০ ফাওবা কান্নবা ফংহন্নবগী ৱাফম লাউথোকখিবগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, থৌরাং অসিনা মণিপুর ষ্টেট পাৱর দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পেনি লিমিটেদ (এম এস পি দি সী এল)দা চাউনা কান্নবা ফংহল্লগনি। সেন্টরগী থৌরাং অসিনা ফিশরিজ দিপার্টমেন্টপু মেজর দিপার্টমেন্টকী থাক্তা অপগ্রেদ তৌহল্লবনিনা অমুক্কা হেন্না কান্নবা ফংলগনি।

তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদা পন্দুনা লৈরিবা মণিপুরীশিং পুশিল্লকপগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, চেন্নাইদগী অখন্নবা ট্রেন অমা তোংদুনা লাকপা মণিপুরী ১১৪০ জিরিবামদা ঙসি থুংলখ্রে। হন্দক্তা ষ্টেট অসিদা হল্লকখিবা মীওই পুম্নমক্না করম-করম্বা মফমদা চৎলুবগে হায়বদু ওথোরিটিদা মরিক চুম্না ফোঙদোকপীয়ু হায়নসু মহাক্না আপিল তৌখি। কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবা লৈঙাক্লা লৌখৎলিবা থৌরাংগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা লায়না-লাইচৎ অসি লাকশিন্নবা লৈঙাক্লা অঙন্বা থাক্তা হোৎনরি। মীয়াম্নসু হীরম অসিদা মপুং ফানা শৌগৎপা মথৌ তাই।

চেন্নাইদগী হল্লকখিবা মীওই লিশিং ১...

লামায় ১গী মখা... নীংথিনা স্ক্রিনিং তৌরগা মশা-মশাগী দিষ্ট্রিক্তা থাখ্রগনি। হয়েংসু পঞ্জাবতগী অখন্নবা ট্রেন অমা জিরিবামদা থুংলগনি। নোংমা নীনিগী মতুংদা বেঙ্গলুরুদগী থোরকপা ট্রেন অমসু থুংলরগনি। চেন্নাই অমদি বাদোদারাদগী ট্রেন অমমম থাহল্লক্নবা থৌরাং লৌখৎলে। জিরিবামদা থুংলখিবা মীওইশিং অদু নীংথিনা স্ক্রিনিং তৌরবা মতুংদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না অচা-অথক খরা পীজখি। মীওইশিং অদু সোসল দিষ্টেন্সিংগী কাঙলোন ঙাকহন্নবা হোৎনবদা ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি অমসুং রেলৱে প্রোটেক্সন ফোর্সনা মরুওইবা থৌদাং লৌখি।

ঙসি থুংলখিবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা উখ্রুলদগী ১২৬, সেনাপতিগী ১৫৩, বিষ্ণুপুর অমসুং চান্দেলগী ৩৯, তমেংলোংগী ১৪৫, কাংপোকপীগী ২৫, থৌবাল অমদি ককচিংগী ১৮, চুড়াচান্দপুর অমদি ফেরজোলগী ৩০০, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং তেংনৌপলগী ৬৭, ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং কামজোংগী ৩৯ লোয়ননা নোনেগী ৪৭ য়াওরি হায়রি।

চৈরকসিদা, পঞ্জাব, হিমাচল প্রদেশ অমদি হরিয়ানাগী তোঙান তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈরম্বা মণিপুরীশিং ঙসি নুংথিল চান্দিগরদগী অখন্নবা ট্রেন অমা তোংদুনা জিরিবাম মায়কৈ পাংলকখ্রে।

মপান্দগী থুংলরবশিং ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগা উনবা...

লামায় ১গী মখা... ওথোরিটিশিংনা লোকল এম এল এ অমদি মরী লৈনবা দি সীগী মীৎয়েং মখাদা মপান্দগী থুংলরবা মীওইশিংগী লৈফম-চাফমনচিংবা শীনবগী থৌদাং লৌগনি। ষ্টেট লৈঙাক্লা ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈবা মীওই অমমমগী ওইনা নোংমগী লুপা ২০০ চান-থক্নবগীদমক কাইথোক্ননি। মরী লৈনবা দি সীনা লোকল ক্লবশিংগা খুৎশম্নদুনা ক্বারন্টিনদা থম্বা মীওইশিংগী চান-থক্নবা থৌরাং তৌগনি হায়রি।

মপান্দগী থুংলরবা মীওই পুম্নমক মাও গেট অমদি জিরিবাম গেটতা স্ক্রিনিং তৌরগা দিষ্ট্রিক্ট স্ক্রিনিং সেন্টরদা অমুক থাগনি। মীওই পুম্নমক স্ক্রিনিং তৌরগা নুমীৎ ১৪ ক্বারন্টিন সেন্টরদা থমগনি। ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈরিঙৈদা সোসল দিষ্টেন্সিংগী কাঙলোন ঙাকহনবগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই অমত্তা চঙহনবগী অয়াবা পীরোই। ইমুং-মনুং, মরী-মতা অমদি মরুপ-মপাংশিংগা উনবগী খুদোংচাবা পীরোই। ক্বারন্টিন সেন্টরগী গেটতা কনাগুম্বা অমত্তা চঙবা য়ারোই হায়বা সাইন বোর্দ থেৎকনি। মীয়ামগী য়াইফনবা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসি ঙাক্লা চৎপা মথৌ তাই হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

মিদল ক্লাসকী মীওইশিংদা খূদোংচাবা...

লামায় ১গী মখা... থা ৩ ফাওবদি ঈ পি এফতা পীবা শেনখায় চাদা ১০ ওইরগনি। হান্নদি চাদা ১২ ওইরম্বনি। অনৌবা থৌরাং অসিনা ইমপ্লোয়র অমদি ইমপ্লোয়ী অনীমক্তা খুদোংচাবা ফংহল্লগনি হায়রি।

ফাইনান্স মিনিষ্টরনা হায়খি, চহী অসিগী ওক্টোবর ৩১ ফাওবদা টর্ন ওভর লুপা ক্রোর ১০০গী মখাদা লৈবা এম এস এম ইশিংদা লুপা ক্রোর লাখ ৩গী কোলেটরেল-ফ্রী লোন পীরগনি। গরেন্টি য়াওদনা লোন পীবগী থৌরাং অসিনা এম এস এম ঈ লাখ ৪৫ দা কান্নবা ফংহল্লগনি। এম এস এম ইগী অনৌবা ৱাহন্থোক অমা শেল্লে হায়না পল্লদুনা ফাইনান্স মিনিষ্টরনা হায়খি, লুপা ক্রোর ১ ইনভেষ্ট তৌরগা টর্ন ওভর লুপা ক্রোর ৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা কম্পেনি খূদিংমক মাইক্রো ইন্টরপ্রাইজ হায়না খঙনরগনি। লুপা ক্রোর ১০ ইনভেষ্ট তৌরগা টর্ন ওভর লুপা ক্রোর ৫০ ওইবা কম্পেনিশিং স্মোল ইন্টরপ্রাইজ হায়না খঙনরগনি। লুপা ক্রোর ২০ ইনভেষ্ট তৌরগা টর্ন ওভর লুপা ক্রোর ১০০ ওইবা কম্পেনিশিংবুনা মিদিয়ম ইন্টরপ্রাইজ কৌরগনি হায়না ফাইনান্স মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

অনৌবা থৌরাং অসিগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খি, ফাইনান্স মিনিষ্টর নির্মলা সিতারমননা লাউথোকখিবা থৌরাং অসিনা মাইক্রো, স্মোল এন্দ মিদিয়ম ইন্টরপ্রাইজেস (এম এস এম ঈ)শিংগী অৱাবা কোকহনবা ঙম্লগনি।

অমরোমদা, হান্নগী ফাইনান্স মিনিষ্টর পি চিদম্বরমনা লৈঙাক্কী থৌরাং অসিবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে। কোংগ্রেসনা লুচিংবা য়ুনাইটেদ প্রোগ্রেসিভ এল্লাইয়ন্স (য়ু পি এ)না লৈঙাক পায়রিঙৈদা ফাইনান্স মিনিষ্টর ওইখিবা পি চিদম্বরমনা হায়খি, লুপা ক্রোর লাখ ২০গী ইকনমিক পেকেজ লাউথোকখিবা তারবসু শুপ্নগী লুপা ক্রোর লাখ ৩.৬ শীজিন্নবগী ৱাফম ফোঙদোরক্লবনিনা লেমহৌরিবা লুপা ক্রোর লাখ ১৬.৪ কদায়দা কমদৌনা শীজিন্নগদগে হায়বা ৱাহং অমা থোরক্লে। কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবা হোৎনবদা লৈবাক্কী মফম শিনবা থুংনা লোকদাউন তৌখিবদা খ্বাইদগী চাউনা চৈথেং ফংলবা মাইগ্রেন্ট ৱার্করশিংগী মতাংদা করিগুম্বা মখলগী থৌরাং অমত্তা লাউথোরক্ত্রে হায়নসু পি চিদম্বরমনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মনা-মশীং থারগা শেন্দোং ফংগনি...

লামায় ১গী মখা... চঙনখিবসু চহী অসিদা য়াওনখি। লৌ মরাক অমা মনা-মশীং, মহৈ-মরোংশিং অসি থাবদা ইশা-ইশানা ইম্ফাল-সুগ্নু লম্বীদা ৱারবসু ৱানা য়োঞ্জরগদি লুপা ৭০,০০০ দগী ১,০০,০০০ ফাওবা শেন্দোং ফংবা য়াই। অদুম ওইনমক ইশানা য়োঞ্জবা ঙমদদুনা লল্লোনবীশিংদা থাদোকখ্রবদি লুপা ৪০,০০০/ ৫০,০০০ রোমগী চাং খক্তমক শেন্দোং ফংবা ঙম্মী।

হৌজিক-হৌজিক সেবোৎ, মাইরেন, থবী অমদি খোংদ্রুমদি ময়াই ওইনা হেকপা হৌনরে। অদুবু তরবুজদি লৌফম খরদখক হেকপা হৌনরকপদা ঙাইরি। খোংদ্রুম, সেবোৎ, মাইরেন অমসুং থবী হায়রিবশিং অসিদি এঞ্জাং ওইবনিনা অদুমক লৈবীখিবদি য়াই। হৌজিকসু নুমিদাং অমসুং অয়ূক অঙনবদা লল্লোনবীশিং লাক্তুনা লৌবীরবসু য়াওরি। অদুবু মমাং-মমাংগুম নীংতম্না অপান্বা মমলদা য়োনবা হায়বদু ওইদ্রে। মরমদি মহৈ-মরোং, মনা-মশীংশিং অদু হেক্লবা মতুংদা লৈবীখিদ্রবদি পৎ-পুমদুনা মাঙখিবা য়াবগী ফীভমদা লাকপা য়াই খনবনা মমল হোঙলবসু হোঙনা য়েন্থোকখিবনা ফৈ খন্নবনা অয়াম্বনি। মমাং চহীশিংদদি তোকপা চীংদা লৈবা নোংপোক নিংথৌ নৎত্রগা মোন্দুম মহাদেব হায়রগসু খঙনরিবা মফম অসিদা লাই খুরুম্বা লাকপা মীওই কয়ানসু মখোয়না পুথোকচরিবা খোংদ্রুম, সেবোৎ, মাইরেন, থবী অমসুং তরবুজ লৈদুনা পুনখিবা অমসুং মণিপুরগী মরুওইরিবা কৈথেলশিংদা থাদুনা য়োন্নবা ঙাক্তনি।

লোকদাউনগী অৱাবা মায়োক্নরিবা মীয়ামদা চান-থক্নবা তেংবাং পীনরিবা অসিদা খোংদ্রুমগুম্বা অসিসু লৈবীরগা য়েনবীরবদি লৌমীশিংদা খরমখৈদি মতেং ওইগনি হায়নসু খল্লি। লোকদাউন অসিনা মখা তানা চত্থরক্লবদি তরবুজশিং অসি কুইনা থম্বসু য়ারোইদৌবনিনা শোয়দনমক অয়াম্বা পৎ-পুমদুনা মাঙলবদি লৌমীশিংনা থাদজখিবা শেলহুৎ ফাওবা মাঙহনবীদুনা শেন্মীৎলোনদা চাউনা অকায়বা ফীভম অমদা শোয়দনা লাকপা য়ারি। হীরম অসিগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোয়শঙনা লৌমীশিংগী পোথোকশিং অসি মতম খরদং ওইরবসু লিদুনা থম্বা য়ানবা কোল্ড ষ্টোরেজগুম্বা মফম অমদা থম্নবা শিনবীয়ু। মদু নৎত্রবদি কোভিদ-১৯ থেংননবগী চত্থরিবা লোকদাউনগী চৈথেং নংলিবা লায়রবা লৌমীশিংদা লূ কোকপদা লেন তাবা হায়বদু থোক্কনি খল্লি হায়নসু খুমুকচম প্রমোদ মৈতৈনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

লম্বীগী মতাইদা পোৎ য়োল্লম্বী নুপী অমনা ফোঙদোরকপদা মমাং চহীশিংদদি হৌজিক মতম অসি পোৎ য়োনবা য়াম্না নুংঙাইরবা মতমনি। অদুবু হন্দক্তি লোকদাউন লৈবনা মী চৎথোক-চৎশিন তৌবগী চাং অসি খংহন হন্থখিবনা খূৎলাংখাং কৌদনা হঞ্জিনবসু য়াওরি। অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা লৌমীশিংনা পুথোকচরিবা পোথোকশিং অসি লোকদাউন অমুক শাংদোকখ্রবদি মাঙলগদ্রা হায়বগী মিপাইবা লৈনরে হায়নসু ফোঙদোরকখি।

পোষ্ট পেন্দমিক্তা দিমোগ্রাফিকেল ইম্বেলেন্স থোক্লক্কদরা...

লামায় ১গী মখা... য়াৎতুনা থবক থৌরম পায়খৎপগী তঙাইফদবা লৈরে। মদু নৎত্রবদি পোষ্ট পেন্দেমিকতা দিমোগ্রাফিকেল ইম্বেলেন্স থোকহল্লক্তুনা খুন্নাই অসিদসু অচৌবা শাফূ অমা পীহল্লকপা য়ারি।

মহাক্না হায়খি, কুমজা ১৮৮১গী সেন্সসকী মতুংইন্না মৈতৈ ১,৩০,৭৯৬, নাগা ৫৯,৯০৪, কুকি ২৫,৩৮৪, মৈতৈ পাঙ্গল ৪,৮৮১, হিন্দুস্তানি ৮৩, বেঙ্গলি ১৫ অমদি ইংলিশমেন ৭ লৈদুনা পুন্না মণিপুরগী অপুনবা মীশিং ২,২১,০৭০ ওইখি। অদুবু চহী ১৩০গী মতুং কুমজা ২০১১গী সেন্সসকী মতুংইন্না মণিপুরদা য়েলহৌমী ১৫,২২,১৩২ অমসুং মণিপুরী নৎতবা মীওই ১৩,৩৩,৬৬০ লৈদুনা মণিপুরগী অপুনবা মীশিং ২৮,৫৫,৭৯২ ওইখি। অতোপ্পা মপান্দা লৈরিবা অমদি সেট্টল তৌদুনা লৈখ্রবা মণিপুরীগী মীশিংনা ২,৩৮,৯৪৭ রোমনি। হায়রিবা কুমজা ২০১১গী সেন্সস পোপ্যুলেসন অসিগী মতুংইন্না ইষ্টিমেট তৌদুনা য়েংবদা চৎলিবা চহী অসিগী কুমজা ২০২০গী মার্চ ১দা মণিপুরগী অপুনবা মীশীং চাউরাক্না মীওই ৩৪,৩৭,৩৩২ অমসুং মপান্দা লৈখিবা মণিপুরীনা ২,৭৬,৮৮২ ওইগনি হায়না পানরি। কুমজা ২০১১গী সেন্সস ফিগরকী মতুংইন্না ইন্দিয়াগী মপান্দা লৈবা, ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা সেট্টল তৌদুনা লৈখ্রবা, ইন্দিয়া মনুংদা মহৈ তমদুনা অমদি থবক তৌদুনা লৈবা মীওইশিং অসি চাউরাক্না মীওই ৩,৪৬,৮৮২ ওইগনি হায়নসু পানরি।

অপীকপা ষ্টেট অমসু ওইবগা লোয়ননা নেচরেল রিছোর্স মরাং কায়না লৈতবা অমদি থবক মপুংফানা পীবা ঙমদনা লৈরিবা অসিদা করিগুম্বা মপান্দা মতম খরগী অমদি সেট্টল তৌদুনা লৈখ্রবা মণিপুরী অয়াম্বা হল্লক্লবদি খুন্নাইলোনদা অহোংবা কয়া লাকহল্লকপা য়াই। মরম অদুনা লৈঙাক্লা অখন্নবা থৌরাং থৌশিল পায়খৎহৌবগী তঙাইফদবা লৈ খল্লি। কোভিদ-১৯গী চৈথেংনা মপান্দা লৈরম্বা মণিপুরী কয়া হল্লকপা য়াওনরে, কয়া অমসু হল্লকখিগনি। অমরোমদা মণিপুরদা লৈরম্বা মপানগী মীওই কয়া মাগী-মাগী ময়ুম লমদমদা হনখ্রবগে হায়বনচিংবসু কুপ্না খঙদোকপা চুমগনি। মণিপুরদা হল্লক্কদৌরিবা মণিপুরীশিং অয়াম্বনা অৱাংবা এদ্যুকেসন ফংলবা প্রোফেসনল ওইনা ইন্টরনেসনল অমদি নেসনলগী থাক্তা থবক তৌবা দোক্টর, ইঞ্জিনীয়র, এদ্যুকেসনগী লম্দা, মলটি কম্পনি, আই টি সেক্টর, ফেক্টরিশিংদা থবক তৌবা অমদি তোঙান-তোঙানবা হীরম কয়াদা হৈথোই শিংথোইরবা মীওইশিংনা অয়াম্না ওইগনি। চাইনানা মখোয়গী লৈবাক্কী মীশীং য়াম্বী কান্নবা হায়বদি হ্যুমেন রিছোর্সপু লৈবাক্কী ইকোনোমি অমদি ইনকম ফগৎনবা হোৎনবদৌনা হীরম কয়াদা হৈ-শিংলবা মণিপুরীশিংনা হন্নরক্লিবা মতম অসিদা অচৌবা চৈথেং অমা ওইহনবগী মহুৎতা মণিপুর লৈঙাক্নসু মতীক চাবা থৌরাং-থৌশিল কয়া পায়খৎলগা খুন্নাইসিবু চাউখৎহনবদা মখোয়গী থৌদাং লৌহন্নবা শীনবীরবদি মণিপুর অসি মরোমদোম লেপচবা ঙম্বা ষ্টেট অমা ওইবা ঙমগনি খল্লি।

লৈবাক পূম্নমক্কী ফাইনান্সিয়ল, মেন্যুফেকচরিং, কন্সট্রক্সন, হ্যুমেন রিলেশনশিপ, সোসল ইকোনোমি, লেবর মার্কেট, এগ্রিকলচরেল সেক্টর, হেল্থ ক্যের সেক্টর অমদি গ্রোথ রেট হন্থহনবদা নত্তনা মায়কৈ কয়ামরুমদা মেনখৎপা ৱারগদবা চৈথেং কয়া কোভিদ-১৯না পীরক্লি। মসিদসু নৎতনা লৈবাকশিংগী ইকনমি অমসুং দিমোগ্রাফিকেল পেটর্নদা অহোংবা কয়া লাকহল্লক্লি। মালেমগী লৈবাক কয়াদদি হৌজিক কোভিদ-১৯ লাম্থেংনবগা লোয়ননা দিমোগ্রাফিক নৈনবা এক্সপর্ট কয়ানা দিমোগ্রাফিকেল পেটর্নদা পীরক্কদৌরিবা চৈথেংশিং থেংননবা শেম শাখ্রবনি। মতম লৈরিঙৈদা ষ্টেট অসিগীসু হৌজিক্তগী হৌনা অশানবা মীৎয়েংদা থৌরাং-থৌশিল পায়খৎহৌদ্রবদি খুন্নাই অসিদা চরাংনবা, তম্বা ঙমদবা খুদোংথিনিঙাই ওইবা অচৌবা চৈথেং কয়া থোকহল্লক্কদ্রা হায়বগী মিপাইবা লাক্লে। মরম অদুনা মণিপুর লৈঙাক্নসু চুনবা মখলগী থৌরাং-থৌশিল পায়খৎপগী মথৌ তারে হায়নসু দিমোগ্রাফর প্রো. আর কে নরেন্দ্রনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।